**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21.04.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি।

২) ঙসি অয়ুক শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা লোক্তাকতা ঙা ফাবা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

৩) ভগবান মহাবিরগী মপোক নুমিৎ মহাবির জয়েন্তিগী পালন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- উংখৎনবগী ফিভম কয়া লৈরবা মতম অসিদা মালেম অসিনা ঙসি ভারত্তা মায় ওনশিল্লক্লি।

অমসুং

৫) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

------

রি-পোল(এল)ঃ ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি।

চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীখল অসি হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং মঙা ফাওবা পাঙথোক্লগনি। অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন বিল্ডিংশিং অদুদি- খুরাই বিধান সভা

কেন্দ্রগী মোইরাংকম্পু সাজেপ অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, এস. ইবোবী প্রাইমারি স্কুল (ইষ্ট ৱিং), ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী বামোন কম্পু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, পাইওনিয়র একাডমী, ইরিলবুং হায়স্কুল-নোর্থ অমসুং সাউথ ৱিং, থোংজ্ কেন্দ্রগী নেসনেল চিলড্রেন স্কুল, উরিপোক কেন্দ্রগী ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ইর্ষ্টন, ৱের্ষ্টন অমসুং মিদল ৱিং অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্রগী খাইদেম প্রাইমারি স্কুল (সাউথ ৱিং) নি।

হয়েং অমুক হন্না ভোৎ থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অসিনা কোনবা মফমশিংগী ওইনা হয়েং ছুতি ওইরগনি হায়না সরকারগী চেরোল অমনা হায়রি।

মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগীদমক মীরেপশিং অমদি রাজনিতি দলশিংনা অকনবা মওংদা ভোট খোমরি। তাঙ্কক অসিদা আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা রাজ্য অসিগী জিলা ৮ দা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। মসিগীদমক পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ হাংদোক্কনি।

মসিগী মথক্তা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৯ সু হাংদোক্কুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ভোটরশিং ভোট থাদনবা থৌরাং তৌরি।

ষ্ট্রোং রুম (এল)ঃ হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রিপোলগা মরী লৈননা মেটরিয়েলশিং লৌথোকবা ইম্ফালগী লমফেলপাৎ লৈবা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সকী উরিপোক অমসুং কোন্থৌজম এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগী রিজার্ভ ষ্ট্রোং রুমশিং ঙসি নুংথিল পুং ৫ দা অমুক হাংখি। হয়েং ভোৎ থাদনরবা মতুংদা পোল্লিং মেটরিয়েলশিং লৌশিন্নবগীদমক ষ্ট্রোং রুমশিং অমুক হন্না হাংগনি অদুগা হয়েং অদুমক লোনশিনগনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু পোল্লিং মেটরিয়েলশিং লৌথোকবগীদমক পোরোমপাৎকী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবন মনাক্কী ষ্ট্রোং রুম কেটাগোরি-দি (অনয়ুজ রিজার্ভ) ঙসি নুংথিল পুং ৩ দা হাংখি। কমপ্লেক্স অসিগী সেকেন্দ ফ্লোর এস.আই.আর.দি হোষ্টেল ব্লোকতা লৈবা খুরাই, ক্ষেত্রিগাউ

অমসুং থোংজ্‌ কেন্দ্রগী ষ্ট্রোং রুমশিংসু ভোৎ থাদনরবা মতুংগী পোল্লিং মেটরিয়েলশিং থমজিন্নবগীদমক হয়েং নুংথিল পুং ৫ দা অমুক হাংগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ষ্ট্রোং রুমশিং হাংবা অসিদা মীরেপ ওইরিবা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎ অনি অনি য়াওনবসু চেরোলশিং অদুদা পল্লি।

ঙা মী (এল)ঃ ঙসি অয়ুক অঙনবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা লোক্তাকতা হি হোনদুনা ঙা ফাবা বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথিং মনিং লৈকাইদগী মীওই অমা লৈখিদ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মশাগী চহি ৫৬ লোম শুরবা ঙা ফাবা নুপা অদু ইথিং খুঞ্জাউদা হি লাকপদগী ইরাকদুনা লৈখিদবনি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা ইথিং খুঞ্জাও অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈবা য়ুম খরসু অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

দেদ (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী ৩৬ শুবা অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বাটর কেম্পতা পার্সোনেল অমা শিদুনা লৈরল্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- লৈখিদ্রবা এ.আর পার্সোনেল অসি মহাক্কী সার্ভিস রাইফল শিজিন্নদুনা সুইসাইদ তৌবা ওইরম্বা য়াই। মীওই অসি অসামগী রাজাবারি খুঙ্গংদগীনি হায়রি।

এসএস (এল)ঃ খোংজোম নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা ঙসি অয়ুক খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা লম তু শিৎ শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মদুদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

মহাবির জৈন (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ভগবান মহাবির জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোকখি। অদুমওইনমক রাজ্য অসিগী

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংদুনা মহৌশাগুম কাং চিংদুনা পাক চাউনদি পাঙথোকখিদ্রে।

মহাবির জয়েন্তিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা মীয়ামদা ভগবান মহাবিরনা তাকপীরম্বশিং ঙাকা চৎনবা ৱাশক লৌনবা অমসুং থৱায় পানবা জিব খুদিংমক্কী য়াইফনবা থবক তৌনবা তকশিল্লি। ভগবনা মহাবির অসি কৎথোকপা অমসুং মীনুংশিগী দুত অমনি হায়নসু মহাকা হায়রি।

উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরগী পাউজেলদা হায়- ভগবান মহাবিরনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং চাওখৎপা খুনাই অমা শেমগৎনবগী লম্বী ঐখোয়দা উৎপিরম্মী। মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং খুদুং ইন্না চৎনবসু মীয়ামদা হায়রি।

শ্রী মোদিনা পীবা পাউজেলদা হায়- ভগবান মহাবিরগী শান্তি, খাঙবা কনবা অমসুং অফবা ৱাখল্লোনগী পাউজেলনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎপদা পুকিং থৌগৎলি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- উংখৎনবগী ফিভম কয়া লৈরবা মতম অসিদা মালেম অসিনা ঙসি ভারত্তা মায় ওনশিল্লক্লি। লৈবাক অসিনা তৌবা ঙম্বা কয়া উৎথোরকপা, মীরৈবাক্কী থৌশিল থৌরমশিং অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা শক্তম অসিনা অনৌবা ভারত অমা শেমগৎলক্লি।

মহাবির জয়েন্তিগী থৌরমগা মরী লৈননা নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দপমদা পাঙথোকখিবা লিশিং ২,৫৫০ শুবা ভগবান মহাবির নিরবন মহোৎসব হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- নহারোলশিংনা ভগবান মহাবিরনা তাকপীরম্বশিং খুদুং ইনদুনা কৎথোকপা অমদি অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা চংশিল্লকপা অসিমক লৈবাক অসিনা অচুম্বা মাইকৈদা খোঙ থাংজিল্লকপনি। মহাকা হায়- লৈবাকশিংগী মরক্তা লান শোকদুনা মালেম অসিদা উংখৎনবা ফিভম অমা থোক্লিঙৈ চৈরক অসিদা ভারতকী তিরথাংকরশিংনা তাকপী তম্বীরম্বা কয়া অদুগী

মরুওইবদু হেনগৎলক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙসিদি ভারতনা অচুম্বা অমদি অহিংশাগী লমদা খোঙ থাংজিনদুনা মালেমগী ফোরম কয়াদা মপুং ফানা থাজবা থল্লি অমসুং মালেমগী সমস্য কয়াগী ৱারোইশিন মসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা সংস্কৃতি অমসুং চৎনবী কয়ানা কোকহনগনি হায়বগী থাজবা পীরি।

মিসন লাইফ অমসুং মালেম অমা, ইমুং অমা অমসুং তুংগী অমত্তা ওইবা ফিভম য়াওনা অঙৈং অশাগী ফিভমদা অহোংবা লাক্লিবা অসি থেংননবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী মতাংদসু প্রধান মন্ত্রিনা পনখি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিনা মালেমদা অনৌবা আশা পীবতা নত্তনা মালেম অসিনা ভারতকী সংস্কৃতি অমসুং হৌন লোনচৎশিংদা য়াওশিনহন্নবগী মরম ওইহল্লি। মহাকা হায়- ভারত মচা ওইবগী চাউথোকচবা অসিনা লৈবাক অসিবু মশক তাকই হায়না হৌগৎলক্লিবা মীরোলনা থাজে অমসুং মশানা মশাবু ইকায় খুমজবগী ৱাখল্লোন লৈরবদি লৈবাক অমা কৈদৌঙৈদসু নমথবা ঙমলোই হায়বদু ভারতনা খুদম অমা ওইরে।

শ্রী মোদিনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা কোমেমোরেতিভ ষ্টাম্প অমসুং শেল ময়েকসু পুথোকখি।

এনটিএ ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না য়ুনিভর্সিতি গ্রান্টস কম্মিসন নেসনেল ইলিজিবিলিতি টেষ্ট (য়ু.জি.সি-নেট) জ্ন ২০২৪ গী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হৌখ্রে। মসিগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতা মরী লৈনবা কেন্দিদদেটশিংনা নেসনেল ইলিজিবিলিতি টেষ্টকীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি। রেজিষ্ট্রেসন মে ১০ ফাওবা চখ্থগনি। মে ১১ দগী ১২ ফাওবদা ওনলাইনদা একজামিনেসন ফি পীশিনবা য়াগনি। অদুগা মে ১৩ দা কল্লেক্সন ৱিন্দো হাংদোক্কনি অমসুং মে ১৫ দা মসি লোইশিনগনি। য়ু.জি.সিগী নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না ইলিজিবল কেন্দিদেটশিংনা জ্নিয়র রিছার্স ফেল্লোসিপ পীনবা, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার খন্নবা অমসুং সবজেক্ট ৮৩ দা পি.ঐচ.দিগীদমক মিং চন্নবা পরিক্ষা জ্ন ১৬ তা পাঙথোক্কনি। কেন্দিদেট অমমমনা এপ্লিকেসন অমদগা হেন্না পীশিনবা য়ারোই হায়নসু য়ু.জি.সিনা হায়রি।

কেম্পেন ঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোৎ খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি। গ্রান্দ এল্লায়েন্স অমসুং এন.দি.এ য়াওনা রাজনীতি দল পুমমক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমসুং ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা তোঙান তোঙানবা মীখলগী মীতিন অমদি রেল্লিনচিংবা পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্বগী মতম নুমিৎ মরিনিতা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা মখোয়গী ঙমজবী থাক্তা ভোৎ খোন্বগী থবক চখ্খরি।

লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবশিংগী মনুংদা কেরলাগী সিট ২০ মক, সিট ২৮ লৈবা করনাতক্কী সিট ১৪, রাজস্থানগী লেমহৌরিবা সিট ১৩, উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রগী সিট ৮-৮, মধ্য প্রদেশকী সিট ৭, অসাম অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫, নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং ছত্তিসগরগী সিট ৩-৩, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কাশ্মীরগী সিট ১-১, আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ গী ভোৎ থাদনগনি।

কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙসি মধ্য প্রদেশকী শাটনাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। রাজ্যগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট জিতু পাটৱারি, এম.পি. বিবেক তানথা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি অরুন যাদবসু মীতিং অদুদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন যাদবসু ঙসি বি.জে.পিগীদমক ভোৎ খোমখি। মহাকা রেৱা, সাগর অমসুং সতরপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট বিষ্ণু দত্ত শর্ম্মসু চান্দলা অমসুং রাজনাগরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস অমসুং আর.জে.দিনা লুচিংবা গ্রান্দ এল্লায়েন্সনা বিহারবু অমুক হন্না জঙ্গল রাজগী যুক্তা পুশিন্নবা হোৎনরি হায়না বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মরাল শিরি। কাতিহারগী রাজেন্দ্র ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা জে.দি.য়ুগী মীরেপ্পু শৌগৎতুনা আর.জে.দি অমসুং কংগ্রেসনা বিহারবু চাওখৎহন্নবা কৈদৌঙেদসু হোৎনবা লৈখিদে। মহাকা হায়- এন.দি.এ খক্তনা রাজ্য অদুবু

চাওখৎহন্নবা থবক পায়খৎপা ঙমগনি। এন.আর.সিগী ৱাফমগী মতাংদা মুরসিদবাদতা ময়ুম থাদোক্কুনা চেল্লক্লিবা শিন্মীশিংবু মমতা বেনর্জিনা লান্না লমজিংন্নবা হোৎনৈ হায়না বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা মরাল শিরি। মুরসিদবাদতা ঙসি দলগী মীরেপ্পু শৌগৎতুনা জলানগিগী নরাসিংহপুরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা নোংচুপ বঙ্গলাদা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়- ত্রিনামুল কংগ্রেসনা ধর্ম্মগী মীংদা তোখায় তাহন্নবগী থৌরাং পায়খৎলি অদুগা বি.জে.পিনা মদুবু থিংনবা হোৎনরি।

মরক অসিদা, উত্তর প্রদেশকী মুরাদবাদ লোক সভা সিটতা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরিবা কনৱার সারভেস সিংহ ঙরাং নিউ দিল্লিগী এইমসতা লৈখিদ্রে। মুরাদবাদ লোক সভা সিটকী মীখলগী ভোৎ এপ্রিল ১৯ অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদনখিবনি। মহাক ২০১৪ দা মুরাদবাদতগী এম.পি. ওইনা কাখিবনি।

কংগ্রেস ঃ লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেস সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিতিগী মাফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্কাটরসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগে, দলগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী চেয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধি অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। পঞ্জাবকী কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোক বগী থৌদোক্তা মাওইষ্টকী মীওই অমা শিরে। ইন্তেলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী কাংবু অমনা মফম অদুদা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কেসকুতুলগী উমং অমদা পুলিস অমসুং মাওইষ্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক খি। মদুদা মাওইষ্ট অমা শিখি। মফম অদুদগী খুৎশু খুৎলায় বোমচিংবা কয়াসু ফাগৎলে হায়রি।

মরক অসিদা ছত্তিসগরগী বাষ্টর জিলাদা ঙসি বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মীওই ১২ শোক্লে। বাষ্টর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী মীখলগী ভোৎ থাদনরবা মতুংদা বস অদু মধ্য প্রদেশ আর্মদ ফোর্সেসকী পার্সোনেলশিং পুদুনা দান্তেৱারা জিলাদগী গারিয়াবন্দ জিলা তমা লাকপগী লম্বীদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপা জৱানশিং অদু দিমারাপাল মেদিকেল কলেজ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অশোকপশিং অদু খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

ফুটবোল (এল)ঃ ছত্তিসগর নরায়নপুরদা রাম কৃষ্ণ মিসন আশ্রম স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা স্বামি বিবেকানন্দ মেন্স অন্দর ত্বেন্তি নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা ঙসি মণিপুরনা চান্দিরগরবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখ্রে।

বোল (এল)ঃ লমলোং থোংখোংগী অর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লিৱা চংনিং য়ুথ কলচরেল কবনা শঙ্গাই ফুটবোল স্কুলবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নবা চহি ১৭ মখাগী খেলো ইন্দিয়া গালর্স ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি ইম্ফালনা আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ১৭-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী মেমোরিয়েল অন্দর থার্তিন বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্রাউনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা, ইশোক এফ.সিনা য়ুথ ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্চল ৭-০ দা অমসুং টাইদানা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

------